# ‘এজ ওফ টুমোরো’না বোক্স ওফিস্তা দোল্লর মিলিয়ন ১৫১.৫ তানবা ঙমখ্রে

*একেন সিজগ্গুরুময়ুম*


দৌগ লিমেন

এজ ওফ টুমোরো হায়বা ফিল্ম অসি মিলিটরি সাইন্স ফিক্সন ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসিদা তোম ক্রুস অমদি ইমিলি বলন্ট অনীনা ম্যেন রোল ওইনা এক্ট তৌবা ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসিগী দিরেক্টর ওইরিবা দৌগ লিমেননা ফিল্ম অসি জাপানগী ব্রারি মচা ‘ওল য়ু নিট ইজ কিল’ হায়বা হিরোসি সাকুরাজাকানা ইবা ব্রারি অসিদগী স্কৃনপ্লে তৌথোক্তুনা ফিল্ম ওইনা ওনখৎনবা হোৎনখিবনি।

লিমেননা ফিল্মগী ব্রারি অসি জাপানগী নোবেল অসিগা লোয়ননা ইং ২০০৯ গী অথেঙবা শরুক্তা অমেরিকাদা পুরকখি। লোয়ননা মফম অদুদা সিস্পিসিয়েল ওইনা স্কৃপ অসি ইথোক্লবা মতুংদা অমেরিকাগী ষ্টুদিও অমা ওইরিবা ব্রার্নর ব্রোসদা য়োনখি। কম্পেনি অসিনা ফিল্ম অসিমকপু প্রদক্সন তৌরি। ষ্টুদিও অসিগী কো প্রদ্যুসর ওইনা ফিল্ম অসিদা অষ্ট্রেলিয়ানগী কম্পেনি বিলাগেজ রোদসো হায়বা অসিনসু শেল থাদবদা শরুক খরা য়াওবগীদমক কো প্রদক্সন ওইরি।

ফিল্ম অসি নম্বা হৌবগী অয়াম্বা শরুক অসি ইং ২০১২ দা তৌখি। লোয়ননা ব্রার্নর ব্রোসনা ষ্টুদিওদা নম্বা ফিল্ম অসি মপুং ফারবা মতুংদা আউটদোর ওইনা লন্দনগী মফম খরদসু সুট্টিং তৌখি। মফম অদুদসু তোঙানবা মওংগী ফিল্ম অমা নমনবগী লোকেসন য়েংলিঙৈদা ফিল্ম অসিগী অয়াম্বা শরুক নম্লকই হায়না দিরেক্টর অসিনা ফোঙদোকখি।

ফিল্ম অসি মপুং ফানা শেম শাবা লোয়রবা মতুংদা লৈবাক ২৮ দা অহানবগী ওইনা উৎতুনা য়েংহনখি। অহানবা ওইনা উৎখিবা লৈবাকশিং অদুদি য়ুনাইটেদ কিংদম, ব্রাজিল, জর্মনি, স্পেন অমসুং ইন্দোনেসিয়ানাচিংবা লৈবাকশিং য়াওনা চহী অসিগী মে ৩০ দা উৎখিবনি। মসিগী মতুংদা জুনগী তাং ৬ তা পুমনৌ নৌবা হান্না উৎখিবা মফমশিং অদু নত্তনা লৈবাক ৩৬ তা নৌনা উৎখি। মসিগী মনুংদা নোর্থ অমেরিকাগী মফম অনী য়াওখি। মখোয়শিং অদুদি য়ুনাইটেদ ষ্টেট অমদি কানাদানি। অতোপ্পা লৈবাকশিং অদুনা অষ্ট্রেলিয়া, চিনা অমদি রুসিয়ানচিংবা মরুওইবা লৈবাক কয়া য়াওবগা লোয়ননা পুন্না লৈবাক ৩৬ তা উৎখিবা অসিদা ফিল্ম অসিদা মেন কাষ্ট তৌরিবা টোম ক্রুসকী মরমদা লৈবাকশিং অদুগী ক্রিটিকশিংনা য়াম্না অফবা মওংদা রিভিয়ু পীরকখিবা থেংনখি।

অয়াম্বনা লোস এঞ্জেলস টাইমদা জুনগী ১২ দা ক্রিটিকশিংনা পীরকখিবা কমেন্টশিং অদু হাপ্লকপগা লোয়ননা ফিল্ম অসিনা হৌজিক ফাওবদা পৃথিবী পুম্বদগী দোল্লর মিলিয়ন ১৫১.৫ কলেক্সন তৌবা ঙমখ্রে।

ফিল্ম অসিগী য়াম্না টেনবা ব্রারি অদুদা টোম ক্রুস হায়রিবা এক্টর অসিনা মেজর ব্রিল্লয়ম কেজ হায়বা করেক্টর অমা শাখি। মহাক অসি নাতো হায়না খঙনবা পৃথিবীগী ওইনা লৈরিবা য়ুনাইটেদ দিফেন্স ফোর্সকী লুচিংবা অমা ওইরম্মী। মহাক্না লন্দনদা চৎতুনা জেনরেল ব্রিঘামগা উনবগী মতাং অমসু য়াওরি। ব্রিঘামগী রোল অসিনা ব্রেন্দম গেলিসননা শারি। ব্রিঘাম অসি য়ু বি এফকী কম্যুনিকেসনগী লুচিংবা ওইবগা লোয়ননা এলেনশিংনা মীওইবগী মথক্তা চথরকপা লাল্লোং অসিবু মায় পাক্লবা হোৎনদুনা অনৌবা মওংগী লান তৌনবা হোৎনবদা মায়থীরবা মীওই অমনি। ব্রিল্লিয়মনা মহাক উন্নদুনা দাউন ফোল চৎলুরবা ওপেরেসন অদু অমুক নৌনা কনখৎনবা হোৎনবগা লোয়ননা মঙোন্দা দরকার লৈবা খুৎশু খুৎলাই অমদি স্পেসক্রাফনচিংবা মতেং পাংনবা হায়খি অমসুং ব্রিঘামনা মেজর ব্রিল্লিয়মগী অপাম্বা খুদিংমক পীখিনবা মহাক্কী মখাদা লৈবা মাষ্টর সর্জন ফেরোলদা হায়খি। ফেরোলগী শক্তম অসিনা বিল টেক্সটোননা শাখি। মখোয়না অনৌবা লালগী লালোং কয়া শিজিন্নদুনা মিমিক্স কাংবুগা অকনবা লান শোক্নখি অমসুং মখোয়না মিমিক্স কাংবুবু হন্না হন্না হাৎতুনা মিমিক্সনা চথরক্লিবা লাললোং অদুবু অরেম্বদা তাহনখি। মমৈথংদা মিমিক্স কাংবুগী লালোং ফেল ওইবগা লোয়ননা ব্রিল্লিয়ম কেজকী মায়োক্তা লানবা তৌবা ঙম্লরোই হায়না সরেন্দর তৌখিবা অসিদা মপুং ওইনা শাগৎপা ফিল্ম অমনি।




ফিল্ম অসিগী ব্রারি অসি ইরিবা হিরোসি সাকুরাজাকানা মহাক্কী নোবেল অসিবু অহানবা ওইনা ইং ২০০৪ দা নমখি। মসিদা মহাক্লা আর্ক মখল অহুম হাপ্তুনা এন্টরটেন্টমেন্ট ওইবা মওংদা অমুক নৌনা ইথোকপগা লোয়ননা ইং ২০০৯ দা ফোঙখি। লোয়ননা জাপানগী তোঙান ত্রেঙানবা কম্পেনিশিংনা ব্রারি অসি ফিল্ম ওইনা ওনখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা ষ্টুদিও অমা দরকার লৈবদগী খন্নরকপদা ব্রার্নর ব্রোসতা ফিল্ম অসিগী দিরেক্টর লিমেন পুদুনা লাক্লবা মতুংদা ফিল্ম অসি ইং ২০১০ গী এপ্রিলদা স্কৃনপ্লে তৌনবগীদমক দোল্লর মিলিয়ন ৩ পীদুনা অফবা স্কৃন প্লে রাইটর অমগা তান্নখি। পুম্নমক মায় পাক্লবা মতুংদা ইং ২০১১ দা স্কৃন প্লে তৌরবা ফিল্ম অসিদা মী অহুম এক্ট তৌনবা ব্রার্নর ব্রোসতা হায়খি অমসুং ব্রার্নর ব্রোসনা মেন কাষ্ট ওইগদবা মীওই অসি কনা কনা ওইহনগদগে হায়না মথং মথং তান্নরবা মতুংদা টোম ক্রুসনা ফিল্ম অসি কুম্বদা মতিক চাগনি হায়না ব্রার্নর ব্রোসকী দিরেক্টর ওফ কাষ্টিংগী থৌ পুরিবশিংনা ফোঙদোরকপদগী মহাকপু কাষ্ট তৌহনখিবনি।




| | |
|---|---|
| Directed by | Doug Liman |
| Produced by | Erwin Stoff<br>Tom Lassally<br>Jeffrey Silver<br>Gregory Jacobs<br>Jason Hoffs |
| Screenplay by | Christopher McQuarrie<br>Jez Butterworth<br>John-Henry Butterworth |
| Based on | All You Need Is Kill<br>by Hiroshi Sakurazaka |
| Starring | Tom Cruise<br>Emily Blunt<br>Bill Paxton<br>Brendan Gleeson |
| Music by | Christophe Beck |
| Cinematography | Dion Beebe |
| Editing by | James Herbert<br>Laura Jennings |
| Studio | Warner Bros. Pictures |
| Release dates | May 28, 2014 (London IMAX)<br>June 6, 2014 (United States) |
| Running time | 113 minutes[1] |
| Country | United States |
| Language | English |
| Budget | $178 million |
| Box office | $151.5 million[2] |


























Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*